# ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি –২০ ত্রোফি ২০১৮ ইএসয়ুনা কেআইৰাইসিবু রন ৭৮তা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এ গী লীগ মেটচ অমদা ইষ্টার্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ইএসয়ু) ৱাংখৈনা কেআইৰাইসি ক্ষেত্রিগাউবু রন ৭৮তা মায়থিবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইএসয়ুনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৭তা ৱিকেট ২ তুরগা পুন্না রন ১৩৭ লৌখি।

ইএসয়ুগী বেটচমেন দেবেন্দ্রো না আউত ওইদনা বোল ৫১ দা পুন্না রন ৬৮ লৌখি। অদুগা হেনরিসু আউত ওইদবনা বোল ১২ দা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা বেটচমেন হেরোজিৎনা বোল ২০ দা রন ১৩ লৌখি।

ইএসয়ুগী ৱিকেট অনী তুখিবা অদু কেআইৰাইসিগী বোল্লর নিসিকান্ত অমসুং অব্দুলানা ৱিকেট ১।১ লৌবা ঙমখিবনি।

অদুগী পাউখুমদা কেআইৰাইসিনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১৬.৩ দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা শুপ্পগী রন ৫৯ খক লৌবা ঙমখি।

ইএসয়ু গী বোল্লর সোহেল অমসুং হেনরিনা ৱিকেট ৩ /৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা বাইবেনা ৱিকেট ২ অমসুং বোল্লর অনী সনাহল অমসুং চিতরঞ্জন শর্ম্মা না ৱিকেট ১ / ১ লৌবা ঙমখিবনি।

কেৱাইসিগী বেটচমেন অব্দুল হমিংনা বোল ৩০ দা রন ১৩ লৌবা ঙমখি অদুগা কৌসার অমসুং মুজিবুর রহমন অনীনা বোল ১৪ অমসুং ১৯ দা রন ১০ /১০ লৌবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইএসয়ু গী দেবেন্দ্র না আউত ওইদনা রন ৬৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

অমরোমদা চপ মান্নবা মফমদা ঙসি অয়ুক গ্রুপ–সি গী লীগ মেটচ অমদা পিটিআরসি অমসুং অল অমিন অনীনা শান্নগনি তৌরম্বা অদু নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদ্রে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অনি শান্নগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ–বি গী রেস অমসুং এসএসয়ু অনীনা অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ–দিগী ত্রাউ ক্ককৈথেল অমসুং পিএসসি অনীনা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা লম্বা তৌনরগনি।

# য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসননা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*

চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা রোপিয়েং ফাউন্দেসন ত্রস্তনা শীন্দুনা চথরকখিবা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ষ্টেট অসিগী গভর্নর নজমা হেপতুলানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখিবগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসনননা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



ঙসি চুরাচন্দপুরগী লমকা পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসনননা হেদ ক্বার্টর এস সিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চান্নদনা লাকখিবা অদু শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা য়ুসিএফকী খাইজিম কিপজেননা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং য়ুসিএফ কী খুদুম চানবা মখা চথরকপা ওইনা সোংপু শিংশিংনা মায় পাকপা টিমগী অনীশুবা গোল শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইরামদাই সোংপুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা ৩–০ দা হেদক্বার্টর এসসিবু মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা বেষ্ট স্পোর্টস মেন্সগী মনানা মুবলাই এথলেটিক ক্লবকী বিদিনপর মোয়োননা ফঙখি। অদুগা তোপ স্কোররগী মনানা তুইরিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন গী চাওবা এল্লাইস অকবর খাননা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না গোল ৭ চনবা ঙমদুনা মনা অসি ফঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোল কিপরগী এৱার্দনা য়ু সি এফ কী জি ঙমখোহাওনা ফঙখি। অদুগা বেটচ দিফেন্দরগী মনানা জিনথিয়াং সিমতে ক্লবকী এল জে নাথানননা ফঙবা ঙমখি।



ইন্দিভিজ্যুএল এৱার্দশিং ফঙখিবশিংনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২, ত্রোফি, সাইতেসন অমসুং ব্রান্দেদ বুট অমমম ফঙখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসনদা ত্রোফিগা লোয়নননা শেল ওইনা লুপা ২০০০০০ খুৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা হেদক্বার্টর এসসিনা ত্রোফিগা লোয়নননা শেল ওইনা লুপা ১০০০০০ ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা টিম অনী মুবলাই ক্লব অমসুং সিমপোরিয়া ফুটবোল ক্লব অনীদসু শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ / ১০গী মনা খুৎশিন্নখি।

# ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ গ্রুপ–সি গী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ঃ

থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেন্দা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কাংখুৎনা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কেন্দ্রৱাইস লীগ কম নোক আওত কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি গ্রুপ সি গী অরোইবা লীগ মেটছ শান্নখিবদা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ অমদি হৈঙাং কাংখুৎ অনীনা পাঞ্জল ১৬–১৬ লৌদুনা দ্রো ওইখিবগা লোয়নননা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ পুন্না পাঞ্জল ৪৪ ফঙদুনা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



অদুগা থাংমৈবন্দ–বি কাংখুৎনা পুন্না পাঞ্জল ৪১ ফঙদুনা গ্রুপ অসিগী রন্নর্স অপ তাখিবগা লোয়নননা টিম অনীমক্না ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি খুন্দ্রাকপম অমদি হৈঙাং কাংখুৎ অনীনা শান্নখিবদা টিম অনিমক্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতমদা পাঞ্জল ৮–৮ লৌদুনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা হৈঙাংনা লীদ তৌদুনা চৎলম্বা অদু শান্নবা লোইরমদাই খুন্দ্রাকপমনা পাঞ্জল মান্নহনদুনা ১৬–১৬ দ্রো ওইবা ঙমখিবনি।

মায় পাকখ্রবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎতা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এনজি লৈশঙ সিংহ, এস লালাবি সিংহ, টি ঐচ থোইবা সিংহ, এল গুরুজিত সিংহ, টি ঐচ খের সিংহ, এল দিনামানি সিংহ, কেএছ শ্যামকুমার অমসুং এল জুগেশ্বর নি।

অদুগা হৈঙাং কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি এল জগেশ্বর, টিঐচ চাওবা, এন জি নিমাই, এল মোহেন্দ্রো, ৱাই নিংথৌ, সি ঐচ আইসো, দব্লিউ দেবেন অমসুং সি ঐচ দামু নি।

নিংশিংবা য়াবদি গ্রুপ–বি ওইনা য়াইস্কুল কাংখুৎনা ৱিন্নর অমসুং থোংজু কাংখুৎনা রন্নর্স অপ তাদুনা হান্ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনি।

হয়েং গ্রুপ– দি গী লীগ মেটচ অমদা শিংজমৈ অমসুং নম্বোল কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌরগনি।

# য়াস ইম্ফাল ইষ্টনা মশান্না অহুমগী রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*

য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট না শীন্দুনা চহি অসিগী ওগষ্টকী তাং ১১ দগী হৌদুনা ৩১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন অহুম ফুটবোল, খোখো অমসুং টেবল টেন্নিসকী ওইবা রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প অমা পাঙথোক্লগনি।

ফুটবোল গী কেম্প অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। অদুগা খো খো গী ওইনা কৈবী প্লে গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি।

টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা শোইবম লৈকায়দা লৈবা সিটিজন ক্লবতা পাঙথোক্লগনি।

রেসিদেন্সিয়েল কেম্প অসিদা শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোইশিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়াস ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা জুলাই ১৩ ওইগনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক ওফিস অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

# এআইএফএফ দি লাইসেন্স কোর্সতা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংনা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি

*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এআইএফএফ দি লাইসেন্স কোর্সতা শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংনা কো–ওদিনেটর ওইরিবা টি ঐচ ওজিৎ সিংহদা থা অসিগী ২৩ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী হোস্টেল নম্বর ২ দা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

রিপোর্ট তৌগদবা কেন্দিদেটশিং অদুদি সৈতিনখুপ খোঙশাই, সৈলেন্থাং তুবোই, পাউলেনসিয়ান, এমদি অয়ুব খান, ঐচ প্রেমকুমার সিংহ, কে হেমচন্দ্র, কে পুইনচান্দ্র, লালচা কিপজেন, সৈখানগৌ শিমজৌ মংজেল, ও মিলান, ঐচ থাংহৌ মুনা, লেটমিনলুন কিপজেন, সেবেসিয়ান থাংমোনশাং, এল সুরশেন মৈতৈ, কে খেল্লেন্দ্রা সিংহ, এ অনন্দ সিংহ, এ করাং, পি ইজরেন ঙাইমৈ, এ সুসিল মৈতৈ, পাওমিন্থাং, ঐচ গিনমিনলুন শিংতে, রিনশাং ফৈরে, ঙাংপিয়াংলিয়েন ভাইফে অমসুং রাজু থিঙুজম নি।




LEAQUE ROUND POINT TABLE

As on June 22 (not including last match)

Group A

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Russia | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 1 | 7 | 6 |
| Uruguay | 2 | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | 6 |
| Egypt | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | -3 | 0 |
| Saudi Arabia | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 6 | -6 | 0 |

Group B

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Portugal | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | 1 | 4 |
| Spain | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | 1 | 4 |
| Iran | 2 | 1 | 0 | 1 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| Morocco | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |

Group C

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| France | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 1 | 2 | 6 |
| Denmark | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | 1 | 4 |
| Australia | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 | 1 |
| Peru | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |

Group D

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Croatia | 2 | 2 | 0 | 0 | 5 | 0 | 5 | 6 |
| Nigeria | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| Iceland | 2 | 0 | 1 | 1 | 1 | 3 | -2 | 1 |
| Argentina | 2 | 0 | 1 | 1 | 1 | 4 | -3 | 1 |

Group E

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Brazil | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| Serbia | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| Switzerland | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| Costa Rica | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 3 | -3 | 0 |

Group F

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Sweden | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| Mexico | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| South Korea | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| Germany | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

Group G

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Belgium | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | 3 | 3 |
| England | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| Tunisia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| Panama | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |

Group H

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Japan | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| Senegal | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| Poland | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| Colombia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |

Today's Match

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Belgium | vs | Tunisia | Spartak Stadium | 5:30 |
| South Korea | vs | Mexico | Rostov Arena | 8:30 |
| Germany | vs | Sweden | Fisht Olympic Stadium | 11:30 |

# মরিশুবা ওদিআইদা ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে



চেষ্টর লে ষ্ট্রেট, জুন ২২ঃ

ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দা তুর তৌদুনা চেষ্টর লে ষ্ট্রেট দা লৈবা রিভরসাইদ গ্রাউন্দা পাঙথোকপা মরিশুবা ওদিআই দা ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা ৩১০ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী রনশিং অদু অরোন ফিঞ্চনা বোল ১০৬ তা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ১০০, ত্রেভিস হেদনা বোল ৬৪ দা ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৬৩, সাউন মার্সনা বোল ৯২ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ১০১, মর্কস ষ্টোইনিসনা বোল ২ দা রন ১, এষ্টোন অগরনা বোল ১৫দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৫, এলেক্স কেরেসনা বোল ৫ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৬, টিম পেননা বোল ৫ দা রন ৩, মাইকেল নেসরনা বোল ২দা রন ২, রিচর্দসননা বোল ৬তা রন ৫ অমদি নথান লিওননা বোল ৩দা রন ৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইংলেন্দগী বোল্লর মার্ক ৱুদনা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪৯, দেবিদ ৱিল্লি না ওভর ৭তা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৪৩, জোই রুটনা ওভর ১০ দা রন ৪৪, ওভর্তননা ওভর ৭তা রন ৫৫, অদিল রসিদনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৭৩ অমদি মোইন আলিনা ওভর ৭ তা রন ৪৩ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ইংলেন্দনা ওভর ৪৪.৪ দা ৱিকেট ৪ খক্তমক তুরগা রন ৩১৪ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইংলেন্দগী রনশিং অদু জসোন রোয়না বোল ৮৩ তা সিক্স ২ অমদি ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১০১, জোনিনা বোল ৬৬ তা ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৭৯, এলেক্স হেলসনা বোল ৪৫ তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৪, জোস রুট না বো ৩৫ তা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৭,ইওইন মোরগাননা বোল ১১ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৫ অমদি জোস বট্টর (কেপ্টেন এন্দ ৱিকেট কিপর) না বোল ২৯ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৫৪ লৌবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর মাইকেল নেসরনা ওভর ৮.৪ দা রন ৭৪, বিল্লি ষ্টৈনলেকনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৫৪, নথান লিওননা ওভর ৭তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩৮, রিচর্দসননা ওভর ৭ তা রন ৫৮, এষ্টোন অগরনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪৮ অমদি মার্কস ষ্টোইনিসনা ওভর ৬ তা রন ৪১ পীখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*